ꯋꯥꯌꯦꯜ ꯀꯥꯇꯤ WAYEL KATI Evening Newspaper

# ৱায়েল কাতি

Vol. 1, Issue 153 | RNI NO. MNMAN/25/A1111 | মালিয়াফম পালচা কুমশিং-৩৪২৩-২৪ | ইম্ফাল, পোইনুগী নিনি পানবা, থাংজ নবেম্বর ২২, ২০২৫ ইং | মমল লুপা ২।-

## ওঝাশিংগী থৌদাং চাওই



**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** লৈজৌরী স্কুল ফণ্ডহনবদা ওঝাশিংগী অহিবা থৌদাং লৈ হায়না ৱাঙ্গই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ কে এচ লোকেননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাখম অসি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শামুশঙ শান্তিপুরদা লৈবা শামুশঙ শান্তিপুর অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওঝা নোংমৈকাপ্পম ধমেন ওকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

এম এল এ কে এচ লোকেননা মখা তানা হায়, লৈজৌরী স্কুলশিংদা ওঝানা মহৈরোইশিংদা মশিংগী য়াম্না স্কুল কয়া লৈরি। শামুশঙ শান্তিপুর অপ্পর প্রাইমারি স্কুলগী ওইনদি মহৈরোই ২০০ গী মথক্তা লৈরিবা অসিমক তমজনিংঙাইনি হায়খি।

স্কুল অসিগী মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখৎলা থৌরম অদুদা এম এল এ কে এচ লোকেন অমসুং ময়াং ইম্ফাল এসিগী এম এল এ কে রোবিন্দ্রোনা স্কুল অসিগী মহুৎ শিন্দুনা অচম্বা খুদোল তম্দুনা ইকাই খুম্নবা উৎখি।

ষ্টেট এৱার্দ ফংলবা ওঝা ধমেননা মঙোন্দা পীরক্লিবা এৱার্দকী শেনফম পুম্নমক স্কুল অসিগী মহৈরোইশিং অমদি চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা শীজিন্নগনি হায়না লাউথোকখি।

## মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ পুলিস ফেষ্টিভেলগা মান্নরে, মী লাক্লদ্রে

# আই দি পিশিং ময়ুমদা হঞ্জরগে হায়না ঈহৌ হৌরকখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেল ২০২৫ কী নিনি চনবা নুমিৎতসু মপুং ওইবা ভেন্যু ওইরিবা পেলেস কম্পাউন্দদা মী ঈরাক লাক্লমখিদ্রে। ষ্টোল মশিংসু পংহেন হেঙ্দলকউ হায়বা য়াখিদ্রে। অদুবু পুলিস ফেষ্টিভেলদৌনা অকোয়বা মফমশিংদি সেক্যুরিটি ফোর্সশিং পৈরগা লৈবা উরি।





ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপা নুমিৎতা মায়কৈ কয়াদা ঈরাং হৌরকখিবা অদুমক্ত হুখ্রে। অদুবু ফেষ্টিভেল অসিদা শরুক য়াননবগীদমক মী লাকপদি ঙরাংনবু হেনখি। ঙসিদি উন-ৱাই মুক চিকপা ফেষ্টিভেলগা চপ মান্নরে।

মরক অসিদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাক্তা সেরিকলচর ফার্মদা নহানমখৈ লৈরকপা চূড়াচান্দপুরগী মায়কৈদগী ঈরৈনেনি দিসপ্লেস পার্সনশিং ময়ুমদা হঞ্জরগে হায়না ঙসিসু হৌরকখ্রে। ঙরাং নুমিদাংসু মায়কৈ অদোমদা আই দি পিশিং ঈরাং হৌরকপদগী ময়াম অদু তানখায়ননবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টিয়র গ্যাস সেল কয়ামরুম কাপখি। ফৌবাকচাও ঈখাই অদুৱাইদা শাবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগী চেক পোষ্ট মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না মাঙ-তাকহনখি। মায়কৈ অনিগী মরক্তা নুঙনা থাৱগনি থৌদোকসু থোকখি।

ঙসিসু নুংথিলগী পুং ২ঃ৩০ রোম তারকপদা ক্বাক্তাদগী আই দি পিশিং ময়ুমদা হল্লগনি হায়দুনা থোক্লরকখি। মখোয়বু শৌগৎপা ওইনা তোঙান তোঙানবা লৈকায়শিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা আই দি পি ময়াম অমসুং প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়ারকখি। মশিং য়াম্লবা আই দি পিশিং অদুনা ক্বাক্তাগী ফৌবাকচাও ঈখাই ফাওবা খোঙচৎ অমা লাকখি। খোঙচৎ অদু পুলিসনা মফম অদুদগী হেন্না চঙবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখি। মশিং য়াম্লবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংসু পৈদুনা লৈখি। মফম অদুদা ঙাইহাক মুক্লরবা তুংদা আই দি পিশিং অদু ময়াম লৈথোক্লগা ক্বাক্তা তাম্না অমুক হনখি।

আই দি পিশিং অদুনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দশিং তান্নদুনা খোল্লাও কয়ামরুম লাউখি। খোল্লাওশিং অদুগী মনুংদা সঙাই ফেষ্টিভেল য়ানিংদে, ঐখোয়না য়ুমদা হলহল্লু, ঐখোয়গী ফযক্ষম থোকপশিং পীয়ু হায়বনচিংবা য়াওখি।

মায়কৈ অদোম খক্তা নত্তনা কৌত্রুক অমদি আই দি পি ময়ামনা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মফমশিংদসু সঙাই ফেষ্টিভেল পামদে, ঐখোয়সু হান্না য়ুমদা হলহল্লু হায়বা খোল্লাওগী মখাদা ৱাকৎ মীফমশিং চথনখি।

### চঙশিল্লকপা মৈতৈ থেননবা কুকিশিং সিসিপুরদা শেম শাখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** সঙাই ফেষ্টিভেল পাঙথোকপা য়ানিন্দবগী মায়োক্তা মৈতৈ আই দি পিশিংনা তোর্বুং-কংবাইগী বফর জোন লাম্বোংগী চূড়াচান্দপুর তম্না চঙশিল্লবা লৌখৎলকখিবগী মতান্দা কুকি-জো কাউন্সিলনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে। কাউন্সিল অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কুকি-জো য়ুরুপকী মীওইশিংনা ইং অম্না ফিল্ম কায়হন্দনবগী পান্দমদা বফর জোন লাম্বোংগী লৈরকখিবনি। মৈতৈশিংনা বফর জোন লানশিল্লক্লগদি চপ চানা কুকি-জোশিংনা থেননবা শেম শারে হায়রি।

## মতম শাংলবা এন পি পি মনুংগী ৱাথোক লোইশিন্নবা খুৎ থারক্রে

# লোরহো ফোজে প্রসিদেন্ট হাপখ্রে, ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ৩, লোকেনদা চিফ হ্বিপ হাপখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নেস্নেল দিমোক্রেটিক এল্লাইয়েন্সকী মপাং অমা ওইনা মণিপুরদা লৈঙাক পায়রা য়াওখিবা নেস্নেল পিপলস পার্টি (এন পি পি)মনুংদা মতম শাংনা লৈরকপা য়ান্নদবশিং তাইশিন্নবগী পান্দমদা হন্দক্তা নৌনা পার্টি অসিদা চঙলকখিবা ডা. লোরহো এস ফেজেবু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্লকখ্রে।



ডা. লোরহো এস ফোজে



খুরাইজম লোকেন

এন পি পিগী নেস্নেল প্রসিদেন্ট কোনরাদ কে সংমানা ঙসি থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না হায়না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি ওইরম্বা ফোজেবু ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট হাপ্পকখিবনি। মসিগা লোয়ননা মখোয় মশেলশিং মরক্তা নহানমখৈ মুক্কদুনা লৈরম্বা এম এল এ ৩দা ৱার্কিং প্রসিদেন্টশিং হাপচিল্লকখ্রে। নৌনা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট পুন্নবা নোটিফিকেসন থোরকপা এম এল এ ৩ অদুদি ক্ষেত্রিগাও এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ সৈখ নুরুল হাসন, মৈইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি এম এল এ থোঙাম শান্তি অমসুং তমেংলোং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ জামহেংলুং পানমৈনি।

মতম শাংনা পার্টিগী চিফ হ্বিপ ওইদুনা লৈরম্বা সৈখ নুরুল হাসননা ৱার্কিং প্রসিদেন্ট ওইনা পুরকখ্রবা তুংদা হান্দুনা লৈহৌবা চিফ হ্বিপকী ফম অসি ৱাঙ্গই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ কে এচ লোকেনদা হাপ্পকখ্রে হায়রি।

ষ্টেট অসিদা নোংথোম্লম বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক লৈরিঙৈদা এন পি পি না এন বিরেন সি এম ফমদগী লৌথোক্লবনা দিমান্দ তৌরকখি। দিমান্দ অদুগা মরী লৈননা মতমদগী লৈঙাক্তগী পার্টি অসিগী এম এল এ ৬না সপ্পোর্ট ৱিদ্রো তৌখি। অদুম ওইনমক এম এল এ ৬কী মনুংদা খাইবোক অমদি হান্নগী চিফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা য়াম্না নকশিন্ননা লৈখিবনা মরম ওইরদুনা নকশিন্নরিবা এম এল এ অমগী মথক্তা দিসক্কালিফাইদ তৌনবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি স্পিকরগী ত্রিব্যুনেলদা চে থারকখিবা লৈখি।

## ফৌবৈ মৈ থারক্লে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা লুন্দাবী পাপল লৌকোল, লৌশাং ময়াই লৈকায়দা হৌখিবা অহিংদা লৌ শঙম ২ মখায়গী ফৌবৈ শকখঙদবশিংনা মৈ থারক্লে। লৌফম অদু ক্বাকৈথেলদগী পোৎশংবম জয়েন্ত কৌবা অমগীনি। অদুগা হৈবোংপোকপীদগী থাংজম মণিহার কৌবা অমনা উবনি। মীয়াম অমসুং ফয়ার সার্ভিসনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ফৌবৈ অদু শরুক খরা কনবা ঙমহৌরে। হিরম অসিগী মতাংদা পুলিসনা এফ আই আর লৌখৎলে হায়রি।

## ময়াই লম্বী বন্দ হৌখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** লম্বী শেম্বীয়ু হায়বা দিমান্দ মণিপুর লৈঙাক্লা থওইরক্তবনা মরম ওইরগা মায়কৈ অদোমগী মীয়ামনা ঙসিদগী ময়াই লম্বী থিংজিনদুনা থমখ্রে। ময়াই লম্বী শেম্নবগী মতাংদা মমাঙদা বন্দ তৌরুরবনি। অদুবু লৈঙাক্লা থাজবা অমা পীবদগী মতম থানরগা হন্দোকখিবনি। হায়রিবা মতম অদু য়ৌরক্লবা ফাওবদা লম্বী শেল্লক্তবদগী বন্দ তৌরকপনি।

## হয়েংগী নোংদম

২৩।১১। ২০২৫

-এষ্ট্রো-কন্সল্টেন্ট হেম

মেষ -থবক তৌবা হোৎনজবদা কান্নবা ফংবা হৌরগনি। লল্লোন-ইতিক তৌবসু য়ারে।

বৃষ -নুংঙাইবগী পাউসু লৈ, অৱাবগী থৌদোকসু থোকপা পীরি। শেল শীজিন্নবদা য়াম্না হৈশিংবা ফৈ।

মিথুন -ঙসিদি থাজবা য়াবা নুমিৎনি। লল্লোন ইতিক্তা কান্নগনি। নুংঙাইবা পাউ তাগনি।

কর্কট - পুক্নিং নুংশিবা নৎত্রগা ৱাখল নুংঙাইতবা থোকপা য়াই। থবক্সি পোৎলুম হেঙ্গৎলক্কনি।

সিংহ- ৱাখল থোকপা নুমিৎনি, তুংগী চাওখৎননবা লম্বী শেম্বা কান্নগনি। হকচাং নাদনবা চেকশিল্লু।

কন্যা -থবক অমা তৌবা নৎত্রগা লল্লোন ইতিক তৌবদা অনৌবা খুদোংচাবা ফংগনি।

তুলা- ওইজ-ওইথক ফংবা, তৌরুবা থবক কান্নবা নুমিৎনি। ইম্নুং মনুংগা লোয়নবা মতম কায়থোকউ

বৃশ্চিক -হকচাং নুংঙাইবা, ৱাখল থোকপা, পাঙ্গল কনবা পীরি। অফবা ৱারেপ লৌবা য়াই।

ধনু- ইংনা চিক্লা লৈতাবা নুমিৎ ওইগনি। মীয়ামগী উন্নবদা কান্নবা ফংগনি।

মকর -খুদোংচাদবা পামদবা থৌদোক মচা খরা থোকপা য়াই। পুক্নিং ফাথৌ, চেকশিল্লু।

কুম্ভ - অনৌবা ৱাখল থোকপা, থাজবা থম্বা য়াবা নুমিৎনি। নথক থোংবশিংদগী মতেং ফংগনি।

মীন - পুক্নিং নুংশিবা থৌদোক লাকশিনবা ঙমজরগনি। থবক্তা থাগৎপীবা মীসু য়াওগনি।

## মপাল্লমগী পাউ

## চিফ জষ্টিস বি আর গবাই ফম থাদোকখ্রে, জষ্টিস সুরিয়া কান্তনা মহুৎ শিল্লগনি

**ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** ইন্দিয়াগী চিফ জষ্টিস বি আর গবাই ফম থাদোকখিবগা লোয়ননা নবেম্বর ২৪দা জষ্টিস সুরিয়া কান্তবু অনৌবা চিফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে।

ফম থাদোকখ্রবা চিফ জষ্টিস গবাই লৈবাক অসিগী অহানবা বুধিষ্ট চিফ জষ্টিসনি। কুমজা ১৯৬০ দা অমৱাবাতিদা পোকখিবা গবাইনা মেম্বর ওফ পার্লিয়ামেন্ট অমদি গভর্নর ফাওবা ওইরম্মী। বোম্বে হায় কোর্টকী নাগপুর বেঞ্চতা কুমজা ১৯৮৫ দগী প্রাক্তিস তৌবা হৌরকখিবা গবাইনা এসিষ্টেন্ট গভর্নমেন্ট প্লিদর, এদিস্নেল পব্লিক প্রোজিক্যুটর অমদি গভর্নমেন্ট প্লিদর ফাওবা ওইরম্মী। কুমজা ২০০৩ দা বোম্বেম হায় কোর্টকী জজ ওইরবা মতুংদা শাংলবা চহী ৬ রোম হায় কোর্ট অসিগী মুম্বাই, নাগপুর, ঔরাঙ্গবাদ অমদি পান্নজি বেঞ্চতা থবক তৌরম্মী। কুমজা ২০১৯ দা কোলেজিয়ানগী রিকগমেন্দেসন মতুং ইন্না সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরকখি।

অমরোমদা নবেম্বর ২৪দা জষ্টিস সুরিয়া কান্তবু লৈবাক অসিগী ৫৩ শুবা চিফ জষ্টিস ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরমদা মপান লৈবাকশিংগী চিফ জষ্টিস অমদি সেনিয়র জজ কয়ামরুম শরু য়াগদৌরি।

## পাকিষ্টানগী ফাইসলাবাদতা লৈবা গ্লু ফেক্টরি পোকখায়বদা মীওই ২০ শিখ্রে

**ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** পাকিষ্টানগী ফাইসলাবাদতা লৈবা গ্লু ফেক্টরি অমদা গ্যাস লিক ওইরকপদগী ষ্টিমর পোকখায়বদা মীওই ২০ শিরে। ক্রিষ্টেল কেমিকেল ফেক্টরি পোকখায়বগী থৌদোক্ অদুনা মরম ওইরগা মনাক নকপদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিয়েল য়ুনিট ৪ অমদি য়ুম ৯সু অমাঙ-অতা থোকখি। থৌদোক থোকফমদা পুলিস অমদি রেস্ক্যু টিম চঙশিন্দুনা অশোকপা মীওই ৭ রোম মনাক নকপা লায়েংশঙশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। পঞ্জাবকী চিফ মিনিষ্টর মারিয়ম নৱাজ সরিফনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লবা কম্মিস্নর রাজা জাহাংগিং অনৱারদা খঙহনখি। কম্মিস্নরনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফানা থিগৎনবা মীওই ৫ না শাবা কম্মিটি অমা শেমখ্রে। গ্লু ফেক্টরিদা পোকখায়বগী থৌদোক অসি লেবর ওর্গনাইজেসনশিংনা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংনা চেকশিন্দবদগী হায়না অকনবা মরাল শীখি।

## চহী ২গী মতুংদা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল টুর্নামেন্ট ঙসি ইম্ফাল পোলো গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কাঙলূপকী ঈরাংনা মরম ওইরগা চহী ২ লেপ্পুরবা মতুংদা ১৫শুবা মণিপুর পোলো ইন্টরনেস্নেল টুর্নামেন্ট ২০২৫ ঙসি ইম্ফাল পোলো গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।





মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিদা হন্দক চহীগী ওইনা মপান লমদগী টিম ২ শরুক য়ারি। মপান লৈবাক্কী টিমশিং অদুদি কলম্বিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ আমেরিকানি। হোষ্ট ওইরিবা লৈবাক অসিনা টিম ইন্দিয়া-এ, টিম ইন্দিয়া-বি দা শরুক য়ারি। হৌদোকপগী মেটচ অদু টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা শরুক য়ারকখিবা কলম্বিয়াগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা শান্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরি পুনিট কুমার গোয়েলনা হায়খি, শগোল কাঙজৈ হায়না খঙনবা পোলো মশান্না অসিনা মণিপুরগী কলচর মশক তাকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবনি। মণিপুরগী আইদেন্টিটি, করেজ অমদি দিসিপ্লিন উৎলিবা মশান্না অসি ইচম চম্বা স্পোর্টস নত্তে। চহীচা কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবনি। মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসনগী ওনরেরি প্রসিদেন্ট দিলিপ সিংহনা মতুং তারকপদা ইন্টরনেস্নেল টিম কয়া টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারক্কনি হায়বগী মতাংদা থাজবা ফোঙদোকখি।

## মণিপুর থুগায়নবা দিমান্দ কনশিন্নবা কুকি এম এল এ ১০ ফম থাদোক্লবা খঙহনখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** কুকিশিংগী সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ হেন্না কনশিন্নবা কুকি- জো এম এল এ ১০ ফম থাদোক্লনবা কুকি হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিল (কে ঐচ আর সি)না মরী লৈনবশিংদা আপিল তৌখ্রে।

কে ঐচ আর সিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মতম কয়াগী মমাঙদগী কুকিশিংনা দিমান্দ তৌদুনা লাক্লিবা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন মঙফাওনহন্নবা লেটপাও হাওকিপ, নেমচা কিপগেন, কিমনিও হংসিং, বুংচাগিন ভালটে, লালিয়ানমাং খৌতে, চিলুম্বাং মালুন, পাউলিয়ানলাল হাওকিপ, ঙুরশাংলুর সনাতে, লেটজামাঙহাওকিপ অমসুং হাওখোলেট কিপজেননা খুদক্তা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী মেম্বরদগী রিজাইন তৌগদবনি।

কুকি এম এল এশিংনা মখা তানা এসেমব্লিদা লৈবা হায়বসি কুকি ফুরুপকী মীয়াম্না পীখিবা থাজবা অদু মাঙহনবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, ইশাগী লমদা চাওথোক্না হিংজবা ফংনবগী পান্দমদা কুকিশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিমান্দ তৌদুনা লাকপনি। তানফম অসিদা এম এল এশিংনা মশাগী ফম কোন্দুনা লৈবগী মহুৎতা মীয়াম্না শীন্নখিবা থৌদাং পাঙথোক্লবা হোৎনগদবনি। কুকিগী লম অমসুং মৈতৈগী লম ইপা ইপুগী হাক্তগী লৈরকখি হায়নসু কে ঐচ আর সিগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## লিলোং ঙাংলৌ লৌকোলদা দ্রাইভ চত্থবদা উচেক ফানবা থাক্লম্বা লাং ৮০ ফাগৎখ্রে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** লম্লক্কী শা-উচেকশিং ফাননবা লাং থাক্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা মণিপুর লৈঙাক্কী ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অকনবা দ্রাইভ চত্থদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও ডা.লৈশাংথেম জিসিলিগী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জ অমসুং ককচিং ফোরেষ্ট রেঞ্জগী অপুনবা টিম অমনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং ঙাংলৌ লৌকোলদা অখন্নবা দ্রাইভ চত্থখিবগা লোয়ননা উচেক ফানবা থাক্লম্বা লাং ৮০ রোম ফাগৎখ্রে।

থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জগী রেঞ্জ ওফিসার দিনেশচন্দ্র সলাম অমসুং ককচিং ফোরেষ্ট রেঞ্জকী রেঞ্জ ওফিসার সুন্দর হুইদ্রোমগী লমজিং মখাদা ঙসি অঙনবা অয়ুক্তা চত্থখিবা দ্রাইভ অদুদা রেঞ্জ অনি অসিগী মখাদা লৈরিবা বিট ওফিসশিংগী ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোংদা লৈরিবা ঙাংলৌ লৌকোলদা অখন্নবা দ্রাইভ চত্থবদা উচেক ফানবা থাক্লম্বা লাং ৮০ ফাগৎপা ঙমখিবনি। ঙসিগী দ্রাইভ অদুগী মতাংদা ময়াই কৈথেল বিটকী বিট ওফিসার এল সমানন্দনা হায়খি, তোঙান তোঙানবা পাৎ অমদি লৌকোলশিংদা দ্রাইভ চত্থদুনা লম্লক্কী উচেকশিং ফাবা থিংদুনা লাকখিবনি।

## নিংথৌজম মুনিশকী 'কিংদম ওফ মৈতৈ' কোনরাদ সংমানা শিল্লোংদা ফোঙখ্রে



**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** নিংথৌজম মুনিশ সিংহনা ইবা কিংদম ওফ মৈতৈ (এংলো - মণিপুর ৱার ১৮৯১) এ কন্সপিরেসি থিওরি কৌবা লাইরিক অমা মেঘালয়াগী চিফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা শিল্লোং লিটরেরি ফেষ্টিভেলদা ফোঙখ্রে।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মরু ওইবা ৱাফমদি ঙসি মণিপুর হায়না খঙনরিবা মতম অমগী নিংথৌ পানবা মৈতৈ লৈবাক অসি নিংথৌজা দাইনাষ্টিনা লৈঙাক পায়দুনা লাকখি। ৱাফম অসিমক চহী লিশিং ২ হেল্লবা চৈথারোল কুম্বাবাদা ময়েক শেংনা য়াওরি। কুমজা ১৮৯১ দা মতমদুগী বৃটিশ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা অসামগী চিফ কম্মিস্নার জেমস ৱালেশ ক্বিন্টননা য়ুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎকী মতিক ময়াই থৌশাখিদে। ক্বিন্টন্না মতিক ময়াই লৈরবা খুৎলায় কয়া শীজিন্নদুনা মশিং য়াম্লবা লান্মী কয়াগা লোয়ননা মৈতৈ লান্মীবু মায়থিবা পীনবা হোৎনখি। (মখা লা.২)


## ইম্ফাল-সাইকুল লম্বী শেম্বীদ্রবদি মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** মতম শাংনা শেম্বীদনা লাক্লবা ইম্ফাল-সাইকুল লম্বী অথুবা মতমদা শেমজিনবীদ্রবদি মখল মখা কয়াগী অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ইম্ফাল-সাইকুল রোদ জোইন্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি (আই এস আর জে দি সি)গী কনভেনর তোঞ্জম সোমোর্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

পাঙ্গৈ য়াংদোং য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (পি ৱাই ৱাই দি এ)গী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা তোঞ্জম সোমোর্জিৎনা হায়খি, মতম কয়াগী মমাঙদগী শেম্বীদনা লাক্লবা লম্বী পরিং অসি শেম্বীনবা পি আর লৈঙাক লাক্ত্রিঙৈদগী হৌনা মতমদুগী লৈঙাক্তা কয়ারক হন্না হায়জখিবা লৈখ্রবসু ঙসি ফাওবা শেম্বীদনা লৈরি। হিরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরগী গভর্নরদা মেমোরেন্দম অমদি রিমাইন্দর পীশিল্লবসু ঙসি ফাওবা মীৎয়েং চঙলক্তবদগী তঙাইফদনা খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। মহাক্না মখা তানা হায়, লম্বী পরিং অসিদা অহিং নুংথিল নাইদনা মশিং য়াম্লবা গাড়ি কয়া পোৎ-চৈ পুরগা চৎথোক চৎশিন তৌরি। লন্নাই মীওইশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদগী হেন্দোক্তুনা পেরামিলিটরি ফোর্স... (মখা লা.২দা)

## কন্টেক্ট লেন্স মতম শাংনা শীজিন্নবা খুদোংথিনিংঙাই ওই ঃ ষ্টদি

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি) ঃ** অনোক উপ্পদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লবা মরমনা মীওই খরনা কন্টেক্ট লেন্স শীজিন্নবা য়াওই। অদুবু মতম শাংনা কন্টেক্ট লেন্স শীজিন্নবনা খুদোংথিবা কয়া কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই হায়না ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙমখ্রে।



ন্যু দিল্লিদা লৈবা নেত্র আই সেন্টরগী কন্সলটেন্ট অমসুং আই সর্জন ডাঃ প্রিয়াঙ্কা সিংহনা রিপোর্ট অমদা হায়, মতম শাংনা কন্টেক লেন্স শীজিন্নবনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংচাদবশিংগী মীৎ ঈকং কংশিল্লকপা, কোর্নিয়াদা ইনফেক্সন তৌবা অমসুং কোর্নিয়েল অলসর অসিনচিংবনি। মীৎকা মতম শাংনা লেন্সকা শম্নদুনা লৈরবদি কোর্নিয়াদা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়ৌহনবা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরগা মীৎ হাকচরকই অমসুং মীৎ ঙাওশিল্লকই। মতমদুদা হাকচবা হোৎলুরবদি খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই।

করিগুম্বা মতমদা মীওই খরনা মতম শাংনা কন্টেক্ট লেন্স শীজিন্নবা য়াওই। মদুনা মরম ওইরগা কোর্নিয়াদা শোকহনবা য়াই। কোর্নিয়াদা শোল্লবদি মঙাল উবদা নুংঙাইতবা ফাওরকই। পোৎ খুদিংমক ময়েক শেংনা উবা ঙল্লক্তে অমসুং মীৎতা ইফেক্সন তৌরকপা য়াই হায়রি। মসিদসু নত্তনা কন্টেক্ট লেন্স মতম শাংনা শীজিন্নরবদি একান্থামিবা কেরাতাইটিস হায়না খঙনবা বেক্টেরিয়ানা মীৎকী কোর্নিয়াদা থোকহনবা ইফেক্সন মখল অমা ওইহল্লকপা য়াই। মতমদুদা মীৎকী মফম পুম্নমক্তা চৈনাখোল ফাওরকপগা লোয়ননা ঙাংশিল্লকই অমসুং ময়েক শেংনা উবা ঙল্লক্তে। মতম চানা লায়েংহৌদবা তারবদি কোর্নিয়াদা অমাঙ-অতা থোকহল্লক্তুনা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা উবা ঙম্বগী মতিক ময়াই মাঙখিবা য়াই হায়না ডাক্তর প্রিয়াঙ্কা সিংহনা ফোঙদোকখি।

অতোপ্পা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওং অমনা কোর্নিয়া অলসর তৌরকপগী মতাংদনি। মতম শাংনা কন্টেক্ট লেন্স শীজিন্নরবদি কোর্নিয়াদা অলসর তৌরক্তুনা মীৎ তাঙহল্লকপা য়াই। ইফেক্সন তৌরকপগী অহানবা খুদমদি মীৎতা চৈনাখোল ফাওরকপা, ঙাওশিল্লকপা, ময়েক শেংনা উবা ঙল্লক্তবা অসিনচিংবনি। ইফেক্সন তৌরে হেক খঙবগা পল্বা তৌদনা অখঙ অহৈশিংগা তান্নদুনা খুদক্তা লায়েংহৌদ্রবদি পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীৎ উবা ঙল্লক্তবা য়াই হায়রি।

লৌখৎপা য়াবা চেকশিন-থৌরাংশিংগী মতাংদা রিপোর্ট অমনা হায়, তঙাইফদবা মতম খক্তদা কন্টেক্ট লেন্স শীজিন্নবা তারবসু নুমিদাং তুম্বা মতমদদি লৌথোক্কদবনি। য়াম্না কন্টেক্ট লেন্স লৌথোক্লুগা নিংথিনা শেংদোক্কদবনি অমসুং শীজিন্নদবা মতমদা লু-নান্না থমগদবনি। কন্টেক্ট লেন্স উপ্পিঙৈদা কৈদৌনুংদসু ঈশিংদা ঈরোইবা তৌরোইদবনি, মসিনা মীৎতা ইফেক্সন তৌহল্লকপা য়াই। কনাগুম্বা মীওই অমনা কন্টেক্ট লেন্স শীজিন্নবা তারবদি নিংথিনা খঙ-হৈরবা ডাক্তর অমদা চাং নাইনা চেক তৌগদবনি হায়না ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়রি।

## অয়াবা য়াওদনা ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর শুংলম্বা মীওই ৭ পুলিসনা ফারে

**ইম্ফাল নবেম্বর ২২ (ৱায়েল কাতি)ঃ** অয়াবা য়াওদনা দিষ্টিল ইলিসিট কন্ত্রি (দি আই সি) লিকর অমদি ইন্দিয়ান মেদ ফোরেন লিকর (আই এম এফ এল) শুংবশিংগী মথক্তা মণিপুর পুলিসনা মীওই ৭ ফারে। ফারবা মীওইশিং অদুগী মনুংদা মণিপুরদগী মীওই ১ অমসুং অসামদগী ৬ য়াওরি।



ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ফয়েং বজারদা কাঙলোন কায়না য়ু শুংলে হায়বা অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা থি-হুম্বগী থবক চত্থবদা মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। ফারবা মীওইশিং অদুদি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী দিবোং মনুং চনবা কদমতালাদগী চিংঙাখম বিহারি, অসামগী দিব্রুগর মনুং চনবা বোরবারিগাউনদগী মাধব লাহোন, দিব্রুগর বারবিলদগী চন্দন লাহোন, অসামগী ধেমাজি দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা গেলুৱাদগী বিমল নিওগ, দিব্রুগরদগী বুধেশ্বর নিওগ, ধেমাজিদগী হেমন্ত নিওগ অমসুং ধেমাজি দিষ্ট্রিক্ট মনুং চনবা গেলুবাদগী টিলক নিওগনি। মীওইশিং অদুদগী লিটর ২০০ চনবা ষ্টিলগী দ্রম কয়ামরুম ফংলে। অলকোহোল ওইরম্বা য়াই চিংনবা মহিগা কোন্ননা ফাগৎপা ঙমখি। য়ুগী মনম নুংশিনবা পোৎশক য়াওবা প্লাষ্টিক দ্রম, বোটলিং মেছিন, অহাংবা বেরে, অহাংবা বোটল অমদি মেকদোয়েল থাবা ষ্টিকর কয়ামরুমসু ফংখি। মীওইশিং অদুনা য়ু শুংলবা মতুংদা হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবদা শীজিন্নবা অঙাঙবা মচুগী মিনি ট্রক অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

# এদিটোরিয়েল

WAYEL KATI
ইম্ফল, পোইনুগী নিনি পানবা, থাংজ নবেম্বর ২২, ২০২৫ ইং

## অনা লায়েংশঙশিংনা শগুণ তৌবা

### লৌনিংবা মমল লৌবা য়াদনবা কাঙলোন শেম্বগী তঙাইফদবা লৈ

ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী চাবা থকপদা শীজিন্নরিবা পোৎলম চৈরমশিং অসি মমল খজিক্তং হেঙ্গৎলকপদা মীয়াম্না পেরে পেন্না থোকপমখে ঙাংনৈ। ফদিগোম মপুলদবু লুপা ৫০ পী, হঙ্গাম মপুলদবু লুপা ৬০ য়োল্লি, তিলহৌ কেজি ১গী মমলবু লুপা ১০০ য়ৌই হায়বনচিংবশিং অসিগী মতাংদা ঙাংবীননবা মী ময়াম অমা লৈ। মমলশিং অসি হন্থহল্লু হায়দুনা প্রোটেষ্ট তৌবীনবা মীসু লৈ। করি মরমগীদমক পোৎকী মমল হেঙ্গৎলক্লিবনো, হেঙ্গৎফম থোকপ্রা হায়বদুসু ইনৈ-নৈনদনা ৱারেপ ময়াম অমা লৌরগা প্রোটেষ্টসু অদুম তৌনদবা নত্তে। অদুবু ঐখোয় পুন্নমক্না খঙমিন্নগদবা ৱাফম অমদি ঐখোয়গী ইরত্তা শেন্দোং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা লল্লোন ইতিক্কী থবকশিংগী মনুংদা অনি খক মমিং পনবা য়াই। অমনা মহৈশঙ লিংখৎপা অমসুং মীনা পান্নবা ওঝা ওইবা, অনিশুবনা হোস্পিটাল লিংখৎপা অমসুং মীয়াম্না পান্নবা ডাক্টর ওইবা অসিনি। হৌজিক্কী মতমদা শেল খ্বাইদগী পায়বা মীসু মখোয়না ওইফম থোকই। মরমদি মীওইবা ঐখোয়গী পুন্সিগী তাঙ্ককশিংদা স্কুল হায়বসি কান্থোল্লগা চৎপা য়াদে। মমিং খজিক্তং চৎপা স্কুলশিংদদি মচা মশুশিং মহৈ তমহনগে হায়দুনা কোইতান-তান্নরিবনি। অদুগুম্বা মহৈলোইশঙশিং অদুগী থাগী ফি অমসুং মিংজলশেল অদুক্কী মতিক ৱাংগনি। অঙাংশিংগী স্কুলগী য়ুনিফোর্ম, অদুগা তন্নবা লাইরিক, পুননবা বেগ পুন্নমক স্কুলদা সপ্লাই তৌরিবনি। মসিদগী হেন্দোল্লন্দুনা ভেস সার্ভিস ফাওবা স্কুলনা তৌখৎলক্লিবনি। মহৈলোইশঙশিংগা লোয়ননা চৎমিন্নরিবা মমিং লৈরবা ওঝাশিং লেন্না মাঙদে। ট্যুইসন মরোল ৫দগী তাদনা তৌই। শিফ্ট অমদা মহৈরোই ৭০ ফাওবা তম্মী। অসুন্না মহৈলোইশঙশিং অমসুং ওঝাশিং অসিনা চহীদা ক্রোর কয়ামুক তানবা ঙম্মী। অমরোমদা হোস্পিটাল লিংখৎলক্লিবশিং অসিসু মখোয়না মখোয়গী খুদোংচাগদবা কাঙলোন কয়ামরুম শেম্মী। লায়েংফম ওইরিবা হোস্পিটালশিং অদুদা ক্লিনিকেল লেবোরেটরিশিং হাপচিল্লি, ফার্মাসিশিং হাপচিল্লি, অদুগা লায়েংমল, টেষ্ট তৌবগী মমল অমসুং হোস্পিটালদা লৈবগী বেদগী চার্জনচিংবদু মখোয়না লেপচৈ। ঐখোয়গী অঙাংশিং খুন্নাইগী অফবা য়ুম্বী ওইহৌননবা মমা-মপাশিংনা লৈবা লৈতবা থিদনা অফবা স্কুলদা থাই। শেল ময়াম অমা চাদিং তৌই। মদুদা লাইরবসু ইনাক খুনবগী মতৌ তম্মী। মদু মচা ফহন্নবগীদমক্তনি। মতৌ অসুন্না মী ওইনা পোল্লবদি নাবা অমসুং শিবা হায়বসি শোয়দ্রবনি। মীওই অমগী মপুন্সিদা হোস্পিটাল অমুকফাওবা য়ৌদনা মহাক্তি শিখিবনি হায়বসি হৌজিক্তদি য়াদ্রে। শন্না হায়রবসা স্কুলসু, হোস্পিটালশিংসু, মীওইবগী তঙাইফদবা ঙাক্তা ওইরে। অসিগুম্বা তঙাইফদবা কয়া অসিগী মরুমদা কাঙবু অমনা ক্রোরপতি ওইখৎলক্লি। মদুদা ঐখোয়গী মীয়াম্না য়াই, অদুগা লৈঙাক্নসু করিমত্তা হায়দে। মীয়ামগী য়াইফননবা থবক তৌরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংসু তুমিন্না লৈরি। মণিপুরদা মমিং লৈরবা প্রাইভেট হোস্পিটাল কয়ামরুম লৈ। মখোয়না ষ্টেট অসিদা অনা লায়েংগী লমদা মপান নাইদ্রবা থবক কয়ামরুম তৌই। লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদি ষণ হনুবীগা চপ মান্নে। অনৌবা ময়োল অমদা চৎননবা হোৎনদে। তঙাইফদবগী লায়েংবা নত্তনা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদনা হেন্না লায়েংবা পামনৈ। মীয়াম্না হেন্না পান্ননবা লন্নাই হোস্পিটালশিং অদুনসু থবক তৌই। লৈঙাক্কা প্রাইভেটকা খেন্নবা হায়ববু লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদি অয়াম্বা শেল লৌদে। অদুগা প্রাইভেট হোস্পিটালশিংগীদি মীয়ামবু লায়েংবদগী লৌহৌবা শেনফমশিং অদুনা মখোয়গী হোস্পিটাল অদু চল্লাইবা ঙমজরিবনি। মখোয় গভর্নমেন্টকী শেন্থাং ফংবসু নত্তে। অদুবু হোস্পিটাল অমা লিংগে হায়বা তারগদি গ্রান্দ য়াওবা অচৌ অচৌবা লোনশিং ফংবা ঙম্মী। হোস্পিটাল অমা চল্লাইবা হায়বসি অহৈবা ডাক্টরশিং খক্তনা চল্লাইরগা মায় পাক্কনি হায়বা লৈতে। মসিগী খুদম হায়ববু নোর্থ এ ও সিদা লৈবা রাজ মেদিসি অসিদগী খঙগনি। অখঙবা ময়াম্না চল্লাইবা প্রাইভেট হোস্পিটাল খরদি তপ্না তপ্না শীজিল্লকখি। মসি চল্লাইবা হৈতবা অমসুং মখোয়গী মনুংগী ওইবা ৱাথোক লান্থোকশিংননি। প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অসিদা ইনাক খুনবা, শেল পায়বা ঙাক্তা লায়েংবা লাক্কদবনি হায়বা লৈতে। মীওইবা ঐখোয়দি থৱায়দগী হেন্না লুবা লৈতবনিনা নাববু ফনি হায়রগদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ফাওবা ময়ুম ইঙ্খোল য়োল্লগা চৎনরিবনি। মদুদা হোস্পিটালশিং অদুনা মীনুংশি পোল্লুবা য়াবা নত্তে। প্রাইভেট হোস্পিটালশিং অসি মীয়াম লায়েংবদগী ফংলকপা শেনফমনা চল্লাইবনি হায়জবা তারগসু মখোয়না লৌরিবা লায়েংমল,হিদাক য়োনবগী মমল, ওপরেসন তৌবগী মমল অমসুং কা ৱাইরগা লৈবগী মমলশিং অসি কমদৌনা মখোয় মথন্তনা লেপহল্লিবনো হায়বসি হংদবা য়াদে। অনাবা অমা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা পুশিল্লকপনা হান্না লুপা ৪০০, ৫০০, ৬০০ লৌরম্বদু কমদৌনা হন্দক মরক অসি অমুক লুপা ৮০০ লৌরিবনো? কেজ্যুয়েলিতিদা নৎত্রগা ওপিদি দা লায়েংলবা মতুংদা টেষ্ট অমা তৌহনবা মদুদগী মমলসু মখোয়না অদুম লৌনিংবা মমলদা লৌবা য়াব্রা? অনাবা অদু তঙাইফদনা ৱার্দ তা লৈতবা য়াদবা মতম থোল্লকপদসু এদমিসন ফিনি হায়দুনা লুপা ৫০০ অমুক লৌশিল্লে। মদুগী মতুং তারকপদা বেদ চার্জ, তোখায়বা কাদা লৈগে হায়রগসু মদুগী চার্জ, হিদাক লাংথক লৈরিবশিং অদুগী চার্জ, নর্স অমসুং ডাক্টরশিংগী তোখায়বা চার্জশিং হাপচিল্লগদি অনাবা অমা নুমিৎ ৫ নি লৈবদা অচৌবা শেনফম অমা চাদিং তৌদবা য়াদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি প্রাইভেট হোস্পিটাল হায়বসি অনাবা লায়েংবা লাকপশিংদগী লৌহৌবা শেনফমশিং অদুনা চল্লাইবা ওইজবা তারগসু হোস্পিটাল ওথোরিতিনা লৌনিং-লৌনিংবা মমল লৌহনবা অসিদি চুম্লোই। অকক্নবা চাং অমদা শেল লৌরগা চল্লাইহল্লগদি লাইরবসু, ইনাক খুনবসু প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা লায়েংজবা ঙমগনি। হৌজিক হৌজিক গভর্নমেন্ট হোস্পিটালশিংদা অনাবা ময়াম পৈরিবসি প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদসু অদুম হায়দোকচবা ঙমগনি। মীয়ামবু লল্লোনপোৎ ওইনা লৌগুমসি। মখোয়গী মরল মথুম কা হেন্না তিংহন্দনা লায়েংবা ফংজনবা লৈঙাক্না করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংহন্নিংই।

## WAYEL SUDOKU

*Puzzle-122*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 1 | | | | | 6 | | |
| 4 | | | 3 | | | | | |
| | | | | | | 2 | | |
| | | | 7 | 5 | | | | |
| | 8 | | | | | | | 4 |
| | 9 | | | 6 | 2 | | | |
| | | 5 | | | | | | |
| | | | 1 | | | | | 3 |
| | | 2 | | | | 5 | | |


# কেন্সর লায়েংবদা কেমোথেরাপি অমসুং ষ্টেম সেল ত্রান্সপ্লান্টকী মহুৎ শিল্লক্কদবা থৌরাং

ল্যুকেমিয়া লায়েংবদা শিজন্নরিবা হিদাক মখল অনিনা রিস্ক ৱাংবা পেসেন্টশিংগী পুন্সি শাংদোকহনগা লোয়ননা অথুবা মতমদা কেমোথেরাপি অমসুং ষ্টেম সেল ত্রান্সপ্লান্টেসনগী মহুৎ শিল্লকপা য়ানা লৈরে হায়না রিছার্চরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ভিয়েনা জেনরেল হোস্পিটালগী অলরিক জেগরনা হায়খিবা, ইব্রুটিনিব অমসুং আইদেলালিসিব কৌবা ক্রোনিক লিম্ফেটিক ল্যুকেমিয়া লায়েংবদা শিজিন্নবা হিদাক মখল অনিনা রিস্ক ৱাংবা পেসেন্টশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্লে। হায়রিবা পেসেন্টশিং অসি শাংলবদা চহী অমদগী হেন্না পুন্সিদে। অদুবু অনৌবা হিদাক মখল অনি থাদুনা লায়েংবা মতমদা মীওই চাদা ৮০ রোম চহী অনি হেন্না পুন্সিবা থেংনখি। কেন্সর লায়েংবগী মতাংদা অনৌবা পুন্দুপ অমা ওইনা লৌবা য়ারবা থৌওং অসিগী মতুং তারকপদা রিছার্চরশিংনা মখা তানা শিজিন্নবা হোৎনরি। অনৌবা হিদাক মখল অনি অসি পুন্না থারগা লায়েংলবদি মতুং তারকপদা কেমোথেরাপি অমসুং ষ্টেম সেল ত্রান্সপ্লান্টেসনগী মহুৎ শিল্লকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে হায়না অলরিক জেগরনা ফোঙদোকখি।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, অনৌবা হিদাক মখল অনিমক কাইনেজ ইনহিবিটরস ক্লাসকী মনুং চল্লি। হিদাক অসিনা কেন্সর সেলশিংগী লন্বীদা অপনবা পীদুনা সেলশিং চাউবা হেনগৎহন্দে। মরম অদুনা কেন্সর সেলশিং মশিং হেনগৎলকপা ঙমদে। টার্গেটেদ থেরাপীগী মতাংদা ব্লদ কেন্সরবু অতৈ অতোপ্পা তোঙান তোঙানবা কেন্সর মখলশিংগী মোদেল সিষ্টেম ওইনা লৌরি। মরম অদুনা কেন্সর লায়েংলিবা ওনকোলোজিষ্ট পুন্নমক্না মায়কৈ অসোমদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলকপনি হায়না অলরিক জেগরনা ফোঙদোকখি।

টার্গেটেদ ত্রিটমেন্ট হায়বসি কেন্সর সেলগী অখন্নবা মোলিক্যুলর – বাইওলোজিকেল প্রোপর্টিশিংদা মীৎয়েং থম্লগা লায়েংবগী থবক পায়খৎপনি। মদুগীদমক টিস্যু সেম্পলশিং লৌথোকপা মথৌ তাই। লায়েংলিঙৈ মনুংদা মখা তাবা ফোলো–অপ টেষ্ট তৌবগী মথৌ তারক্লবদি কয়ারক হন্না হকচাংদা টিস্যু সেম্পলশিং লৌথোক্কদবনি। সর্জরি তৌরগা টিস্যু সেম্পলশিং লৌথোকপা মতমদা পেসেন্টশিং খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নবগা লোয়ননা রিস্কসু ৱাংই। অদুবু ব্লদ কেন্সরগী মতাংদদি অরায়বা মওংদা সেল মিলিয়ন কয়ারুম লৌবা ঙম্মী। পুন্নমক অসি ওইদুনসু ল্যুকেমিয়া লায়েংনবগীদমক তঙাইফদ্দনা কেমোথেরাপি তৌবগা লোয়ননা ষ্টেম সেল ত্রান্সপ্লান্ট তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু নৌনা থেংনরক্লিবা হিদাক অনি অসিগী মতেংনা কেমোথেরাপি অমদি ষ্টেম সেল ত্রান্সপ্লান্ট তৌদ্রবসু পেসেন্টশিংগী পুন্সি শাংদোকহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।




খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা কেন্সর মখলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ল্যুকেমিয়া হায়বসি হকচাংদা ঈ শেম্লিবা টিস্যু, মরুওইনা বোন মেরোদা কেন্সর ওইরকপগী থৌওংবুনি। শরূ মনুংদা য়াওবা স্পোঞ্জ মানবা বোন মেরোদা ব্লদ সেল পুন্নমক শেম্লকপনি। ল্যুকেমিয়া নারবদি এবনোর্মেল ওইবা (অশোয়বা) হ্বাইট ব্লদ সেল কা হেন্না পুথোরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা হকচাং মনুংদা অকায়বা কয়া থোকহল্লকই। হৌজিক ফাওবা ল্যুকেমিয়া ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। চপ চাবা লায়ওংসু লৈতবা মরম্না লেবোরেটোরি টেষ্ট তৌদ্রিমখে লায়না অসি নারে হায়বদু খঙবা ঙমদে। অদুম ওইনমক বোন মেরোদা ল্যুকেমিয়া সেল মশিং হেনগৎলকপদগী নোর্মেল ব্লদ সেলশিং পুথোকপা ঙম্লক্তবা মরম্না ঈ ৱাংলকই, হকচাং শোক্তরকই, নিংশা শ্বর চনিং তানা হোনবা ঙম্লক্তে, লাইহৌ হৌরকই অমসুং হুমাং কাংলকই। য়ারি–য়াখোঙদা ঈ থোল্লকপা অমদি থাগী খোঙকাপ লাকপদা কা হেন্না ঈ চৎপসু য়াওই।

ব্লদ সেলশিংদা কেন্সর নাবগী থৌওংবু ল্যুকেমিয়া হায়না খঙনৈ। ব্লদ সেল মখল কয়ামরুম লৈ। মখোয়গী মনুংদা রেদ ব্লদ সেল (আর বি সি), হ্বাইট ব্লদ সেল (দব্লিউ বি সি) অমসুং প্লেটিলেটনি। ল্যুকেমিয়া হায়বসি দব্লিউ বি সিদা কেন্সর নাববুনি।

ল্যুকেমিয়ানা মরুওইনা শোকহল্লিবা দব্লিউ বি সি মখল অনি অদুদি গ্রেন্যুলোসাইট অমসুং লিম্ফোসাইটনি। হ্বাইট ব্লদ সেলশিং অসি হকচাংগী ইম্যুন সিষ্টেমদা য়াওবা য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। মখোয়না হকচাংদা চঙলকপা বেক্টিরিয়া, ভাইরস অমদি ফঞ্জাই পুন্নমক ঙাকথোকই। মওং–মরিল নাইদবা এবনোর্মেল সেল অমদি অতৈ মপান্দগী চঙলকপা পোৎলম খুদিংমকপুসু দব্লিউবি সিনা ঙাকথোকই। লুক্যকেমিয়া নারবা মীওইশিংদদি দব্লিউবি সিশিং শক্লোন ওল্লকই। অসিগুম্বা শক্লোন ওল্লবা দব্লিউ বি সিশিং অতেনবা মতমগী মনুংদা মশিং খংহেন হেনগৎলক্তুনা মশা–মউ ফবা নোর্মেল সেলশিংদগী মশিং হেনগৎলকই। অয়াম্বা মতমদা শক্লোন ওল্লবা দব্লিউ বি সিশিংনা মশাগী তৌফম থোকপা মথৌ তৌরক্তে। ব্লদ সেলশিং বোন মেরোদা শুংলকপনি। দব্লিউবি শিংনা বোন মেরোদগী থোকখ্রগা লিম্ফ নোদ অমদি স্পীনদা লৈখি। মখোয়না ঈগী ঈচেল অমদি লিম্ফেটিক সিষ্টেমদসু তিনখি। ল্যুকেমিয়া হৌরকপা মতমদা ইখঙ–খঙহৌদনা হৌরকপা (এক্যুট) য়াওই নত্রগনা তপ্না তপ্না মতম চঙনা হৌরকপা (ক্রোনিক) য়াওই। ক্রোনিক ল্যুকেমিয়াদা কেন্সর সেলশিং তপ্না–তপ্না মশিং হেনগৎলকই। অহানবা হৌগৎলকপদা অদুক হাল্লা কনবা লাইওং উংখোরক্তবা য়াই। এক্যুট ল্যুকেমিয়াদি য়াম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা ইখঙ–খঙহৌদনা হৌরকই। য়াম্না থুনা কেন্সল সেলশিংগী মশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা লাইওংসু য়াম্না ঙন্না উৎথোরকই।

লাইওংশিংগী মনুংদা কা হেন্না হুমাং থোকপা (মরুওইনা নুমিদাংদ্দা) হকচাং ইশোন–শোন্থবগা লোয়ননা য়াম্না থুনা ৱাগনবা, হকচাংগী অরুম্বা হন্থরকপা, শরূদা নাবা, লিম্ফ নোদশিং (মরুওইনা শেগ্রাক অমদি ঙকশমদা) চাউথোরকপা, লিভর নত্রগা স্পলীন চাউথোরকপা, উনশাদা ঙংশঙ–ঙাঙবা দাকফম ময়াম লৈরকপা, লাইহৌ হৌরকপা, কোক চীকপা, ওনিংবা অমসুং ওবা, ৱাখল থোক্তবা অমসুং মশলগী মথৌ হন্থরকপা অসিনচিংবনি।

লায়না অসিনা লংস, গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল ত্রেক্ট, হার্ট, কিদনি অমদি টেষ্টিসতসু শোকহল্লকপা য়াওই। কনাগুম্বা অমা কুচু তাইফৎ তাবগা লোয়ননা শরূক শোন্থরকপা, লিম্ফ নোদ চাউথোকপা, নত্রগনা লিভর অমদি স্পলীন চাউথোকপা থেংনরবদি ল্যুকেমিয়া নারম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈবা মরম্না মখা তাবা টেষ্টশিং তৌগদবনি।

কমপ্লিট ব্লদ কাউন্ট তৌদুনা ঈদা য়াওবা আর বি সি, দব্লিউ বি সি অমদি প্লেটিলেটকী মশিং থিবা য়াই। বোন মেরো নত্রগা লিম্ফ নোদতগী টিসু বাইওপসি লৌদুনা ল্যুকেমিয়া খঙদোক্লবা হোৎনবসু য়াই। মসি নত্তবা অতৈ অতোপ্পা টেষ্ট মখল কয়ামরুম লৈরি। ল্যুকেমিয়া লায়েংবগী থৌদাং অসি হীমাটোলোজিষ্ট ওনকোলোজিষ্ট অমনা লৌই। কেন্সরগী মখল অমদি ষ্টেজকী মতুং ইন্না লায়েং–পাথাপসু খেন্নে। অদুম ওইনমক কেমোথেরাপি, রেদিএসন থেরাপি অমদি ষ্টেম সেল ত্রান্সপ্লান্টেসনগী মতেংনা লায়না অসি লায়েংই। ল্যুকেমিয়া ওইহল্লকপগী মরুওইবা মরম চপ চানা খঙবা ঙমদবা তারবসু লায়না অসিদগী ঙাকথোল্লবগীদমক মাঙজৌননা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি বেঞ্জিন অমসুং রেদিএসন্দা কা হেন্না এক্সপোজ তৌদবা, মৈখু শিজিন্নবা তোকপা অমসুং চাং–নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়ননা ভিটামিন সি অমদি ঈনচিংবা এন্টিওক্সিদেন্টশিং মরাং কায়না য়াওবা চিঞ্জাক চাবনি।

# চোংথা অয়া পুরেল মেজর

হান্নগী মখাঃ মেজর লেসলিনা লুচিংবা বৃটিশ লান্মী খরা তুমুদগী চঙলক্তুনা পল্লেলদা লৈরে তাবদগী মখোয়বু লান্থেংননবা লোকেন্দ্র বীরজিৎ ৱাংখৈরাকপবু লাঞ্জিংপুরেন হাপ্তুনা রুদ্রসিংহ য়েনখোয়বা মেজর, অয়াপুরেল মেজর, খুম্বোং মেজর, পোইলাশিং, শাজোরশিং পুন্না লান্মী ৭০০ গা লোয়ননা থাখি। হায়রিবা কাঙবু অসিনা লাল্লম শীন্নবদা তেঙ্গোল–পন্মাং, পন্নীং অমসুং লঞ্চাক–৩ থোক্না খায়দোকপা হায়না ৱারেপ্লখি। ৱাফমসিগী মতুং ইন্না, তেঙ্গোল অমসুং লুচিংবশিং য়েম্থোক্লবদা, থৌবালগী ৱাইখোম ইঙ্খোলদা লান্মী ৩০০ গী পন্নীং তেঙ্গোল থম্বা অমসুং লোকেন্দ্র বীরজিৎ ৱাংখৈরাকপনা লাঞ্জিংলেন অমসুং খুম্বোং মেজরনা ঙমথং লাঞ্জিংলেন, ৱাংজিংদা য়েনখোইবা রুদ্রসিং মেজরনা লাঞ্জিংলেন অমসুং চোংথা অয়াপুরেলনা ঙমথং লাঞ্জিংলেন ওইদুনা লানঙাকপা অমসুং লাঞ্চাক তেঙ্গোলনা থৌবাল অথোকপগী হান্না বৃটিশনা কোম তৌদুনা লৈরবা মফমদুদা শাবা হায়না লেপ্পরম্মী। অসুন্না চোংথা অয়াপুরেলনা মৈরমগী লানদা পন্সাং ঙাকপগী থৌ পুখি। অদুবু মহাক হকথেংননা লানফমদি মায়োক্নবা ফংখিদ্রে।

লান লোইরবা মতুংদাঃ মপানগী থৌরম পুবা মন্ত্রি অমা ওইনা মহাক্না খাগীদা চৎতুনা মতেং লৌরগা বৃটিশকা লান্থেংননবা ৱাফম দরবারদা হৌদোকখি। নিংথৌ অমসুং অঙম– অথৌশিংনা মহাক্কী ৱাফমদু য়াদুনা খাগী লম য়ৌনা চিংনবা কবো মচা অমগা লোয়ননা সুবিদার মোইরাং তোঞ্জাওবু নুমিৎ হুমনিগী মমাঙদা হায়বদি এপ্রিল ২২ দা লুপা ৩০০০ পীরগা থাখি। থৌরাং অদুগী মতুং ইন্না করিগুম্বা য়েক্নবনা লান ঙমখিবা থোক্লবদি খাগী লৈবাক্তা চৎপদা মোইরাং তোঞ্জাওনা লমজিংগদৌবনি। অদুবু লান মায়থিরবা মতুং এপ্রিল ২৬ তা চাইনা চৎনবা নিংথৌ অমসুং যুবরাজ য়াওনা মীওই ২০০ চশাদ ফাওদুনা চৎনবা চৎশাদ তন্না চৎখিবদু লমজিংনবা থাখিবা মোইরাং তোঞ্জাওদি লৈরমদ্রে। মরম অদুনা চৎখিবা খোঙবু অদু নুমিৎ খরনি লৈরগা হন্নরকখি। চোংথা অয়াপুরেল মেজরদি চিংঙাখম্বা নোংথোনবা অমসুং লংমাইতেম্বা অঙোম নিংথৌগা লোয়ননা তাং ৯–৫–১৮৯১ দা চশাদতগী হল্লকখি। শোমদনা মহাকপু ফাবা ঙম্বা নত্রগা পাউ পীবা মীদা লুপা ২০০ পীগনি হায়না বৃটিশ লৈঙাক্না লাওথোকখি। মহাক ফারবা তুংদা ৱায়েন বিচারদা ফাঁসি তৌদুনা হাৎনবগী হুকুম তৌখি। অদুবু মপোৎ মচৈ মরন মথুম পুন্নমক মৎলগা কোন্না কলাপানিদা পুন্সিগী ওইনা লোইথাবদা ওন্থোকখি। অসুন্না খৃঃ ১৮৯১ জুনগী তাং ১৭ তা কোহিমাদা পুশিনখি। চহীদুমক্কী নভেম্বর তাং ২৩ দা কলাপানি য়ৌখি। চোংথা অয়াপুরেল মেজরনা লৈরম্বা খুরাই লৈশাংতেম য়ুম্ফম অদু খৃঃ ১৮৯১ গী ওক্টোবর তাং ২১, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চুরাচান্দ মহারাজগী শঙ্গাই হৌখি।

পুন্সিগী অরোইবা শরুকঃ খৃঃ ১৮৯৬ মে ২৬ তা অন্দমান জেলদগী মহাক কর্নেল মাইস্নাম শামুগা লোয়ননা থাদোরকখি। অদুবু মণিপুরদা চঙবগী অয়াবা ফংদবনা বৃন্দাবন্দা লৈখি। অদুবু কুইনা পুন্সিয়ু তম্লমদ্রে। ওল্লকপা চহীদা বৃন্দাবন্দা অরোয়বা য়াহিপ তানখি। মমালৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্নবা লান্থেংনরুবগীদমক্তা মরমদম মণিপুরগী লৈশাদা তিনবা ফংজখিদ্রবা অথৌবা অসি তাইবঙ থাদোকখিবা চহী ১২০ হেল্লবসু ঙসি ফাওবা কনানসু নীংশিংবীদবতা নত্তনা মশকসু খঙবীদ্রি।

– চোংথাম তোম্বা

## নিংথৌজম মুনিশকী ...


(লমায় ১গী মখা) নাকল অমরোমদা, মতিক মথৌনা লৈরবা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎনা বৃটিশকী অরোনবা থৌরাং পুন্নমক খঙদোকখিবগা লোয়ননা চপ চানা মায়োক্নবা থৌরাং তৌখি। জেমস ৱালেশ ক্বিন্টন্না লৌখৎলকপা থৌরাং খুদিংমক যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎনা মায়থিবা পীনবা হোৎনখি। কয়ারক হন্না হোৎনরবদা মায়থিবা ফংবদগী খোইশাওনরবা জেমস ৱালেশ ক্বিন্টন্না অহিং নোংয়াইদা অরোনবা লাল্লোং অমা চখুদুনা যুবরাজ টেকেন্দ্রজিৎপু নমদুনা ফানবা থৌরাং অমা লৌখৎখি। মদুনা মরম ওইরগা মণিপুর অমসুং বৃটিশ আর্মিগী মরক্তা অহানবা ওইনা লান শোক্নখি। কুমজা ১৮৯১ গী মার্চ ২৪ দা মৈতৈশিংনা বৃটিশ আর্মিবু য়াম্না লাকচনা মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা জেমস ৱালেশ ক্বিন্টনগা লোয়ননা অতোপ্পা বৃটিশ ওফিসার ৪ ইম্ফালগী কংলা মমাঙদা মঙক কক্তুনা হাৎখিবগা ৱাফম লাইরিক অসিদা ময়েক শেংনা য়াওরি।

## নিংথৌজম মুনিশকী ...

(লমায় ১গী মখা) দিপ্লোই তৌবগী হেভি ভেহিক্লশিং ঙাইহাক লৈতনা চৎপনা লম্বী অসিগী ফিভম অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লক্লে। মহৈরোইশিংনা মহৈ তম্বা চৎপদা মতম চানা মহৈ তম্ফমশঙ য়ৌবা ঙমদ্রে। লম্বীগী উফুলনা মরম ওইরগা লম্বী নাকলদা খুন্দারিবা মীয়ামদা কা হেন্না খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে।

## WAYEL CROSSWORD

*Crossword-142*



**ACROSS**
7 Devour (3,2)
9 Pike-like seafish (9)
11 Continuously (10)
12 Feathery-winged crop pests (6)
13 Operatic solo (4)
15 Cold Mediterranean wind (7)
16 Spanish for 'sun' (3)
17 Excessive flattery (9)
19 Perform surgery (7)
20 Spinning toy (2-2)
21 The Bard of Avon (11)
25 Carved figure (6)
27 Salary increase (5)
29 ___ Brown, *The Da Vinci Code* author (3)
30 Unreturned serve (3)
31 Fence crossing (5)
32 Cherry-red colour (6)
34 Sundry items (4,3,4)
36 Uncultivated upland (4)
39 Rectify (7)
41 Going back (9)
44 Stray (3)
45 Athletics arena (7)
47 Canines (4)
48 Respiratory condition (6)
50 Go head over heels (10)
52 Advice-giver (5,4)
53 Punctuation mark (5)

**DOWN**
1 Ate greedily (8)
2 ___ Redding, soul singer (4)
3 Tapers off (6)
4 Swiss cheese (7)
5 Happy cat sound (4)
6 Brochure (8)
8 Child's friend (8)
10 Gazelle, oryx, etc (9)
14 Metal mixture (5)
16 Give in (9)
18 Else (9)
20 Hitherto (3)
22 Precarious position (5-4)
23 Govern (3)
24 Church seats (4)
26 Financial officer (9)
28 Per person (4)
30 Charity (3)
33 Knight's title (3)
35 Needed (9)
37 Possessed (5)
38 Yellow spice (8)
40 Foreign places (8)
42 Irritating, irksome (8)
43 Professional massager (7)
46 Jailbird (6)
49 Angler's barb (4)
51 Skilfully (4)

*Crossword-142*



*Puzzle-122*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 1 | 9 | 5 | 2 | 4 | 6 | 3 | 8 |
| 4 | 2 | 8 | 3 | 9 | 6 | 1 | 7 | 5 |
| 6 | 5 | 3 | 8 | 1 | 7 | 2 | 4 | 9 |
| 3 | 4 | 1 | 7 | 5 | 8 | 9 | 6 | 2 |
| 2 | 8 | 6 | 9 | 3 | 1 | 7 | 5 | 4 |
| 5 | 9 | 7 | 4 | 6 | 2 | 3 | 8 | 1 |
| 1 | 7 | 5 | 2 | 8 | 3 | 4 | 9 | 6 |
| 9 | 6 | 4 | 1 | 7 | 5 | 8 | 2 | 3 |
| 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 9 | 5 | 1 | 7 |

Owned, Published & Edited by Ningombam Hemantakumar & Printed by him at Hiyai Advance Offset Printers, Keishampat Thiyam Leikai Machin, Email: wayelkati6@gmail.com Tel. No. 9856088733